## মমাংগী লৈঙাক্লা লৌথখিবা শেনফমগী য়ু সী পীবা ঙন্নমদবনা ঙসিগী লৈঙাক্লা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে : ডা. রঞ্জন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): কোঙ্গ্রেস লৈঙাক্লা মণিপুরদা চহী ১৫ লৈঙাকপা মতমদা শেমগৎ-শাগৎপগী মিংদা লৌথখিবা শেনফমগী য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট (য়ু সী) পীবা ঙমদবা মরমনা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মখা তাবা ফন্দ লৌথনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনবা মরম্না য়াম্না ৱাবা ফীভম অমদা লৈরিবনি হায়না লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি বি জে পি লল্লাই মন্দলনা শিন্দুনা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা জন জাগরন অভিয়ান (আত্মনির্ভর কিসান) হৌদোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তশেংনা লৌমিশিংগী য়াইফনবা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক্লা খনবিরল্লবদি ফার্ম বিল চহী কয়াগী মমাংদা পাস তৌরম্বা য়াই। হৌজিক পাল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈবাক অসিগী বি জে পি লৈঙাক্লা লৌমিশিংগীদমক খন্দুনা থবক তৌরকপা মরমনা হন্দক ফার্ম বিল অহুম পাস তৌখিবনি। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা চহী ১৫দা কোঙ্গ্রেসনা তৌবা ঙম্লমদবা থবক কয়া শুপ্পগী চহী অহুমগী মনুংদা চাওখৎপগী থবক কয়া পায়খৎখ্রে। মসিমক বি জে পি লৈঙাক্কী অচৌবা মায়পাকপা অমনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৌমিশিংদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মায়কৈ অসোমগী লৌমিশিংনসু ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচা, বি জে পি লল্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট অমিতকুমার, কিসান মোরচা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে নিংথেমজাও, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামিনি, তেল্লৌ চনা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর জামিনি অমদি বি জে পিগী ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

## এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্থ সাইন্সেস (জিওলোজি) দা এম এ সী অহানবা সেমিষ্টর তম্নবগীদমক এন্ট্রান্স টেষ্ট লাক্লিবা ওক্টোবর ২৪গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা দিপার্টমেন্ট অসিদা পাঙথোক্লগনি। এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ওনলাইনগী খূথাংদা এপ্লাই তৌরকখিবা মহৈ-রোয় খূদিংমক শরুক য়াবা য়ারগনি। মহৈরোয়শিংনা এদমিট কার্দশিং য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতগী দাউন-লোদ তৌবা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

## ‘নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শারিবা মফমদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইনবোর্দ খিনবদা অয়াবা পীখিবশিং থীদোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা লৈঙাক অসিনা অথুবা খোঙথাং লৌখৎফম থোকই হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল/কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিদা অহানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা মণিপুরদা হাংননবা পার্লিয়মেন্টনা বিল অমা পাস হেক তৌখিবগা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ও. ইবোবিনা থৌবাল জিলাগী য়াইথিবী লৌকোলদা শেল তিংনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা লম লৈরুবদা লমদম অদুগী মীয়াম্না অয়েৎপা পীরকপদগী শান্নরোইশিংবু য়োকখৎপা পামজবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শেনজম-চিরাং অমসুং কৌত্রুক্কী মীয়াম্না লেম্না লম পীবদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৮গী মার্চ ১৬তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী উরেপ-উয়ুং তমখিবা মফমদা লম মমিংগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈখিদ্রগা হন্দক্তা কুকি কাংলুপ খরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট মনুং চল্লি হায়বা সাইন বোর্দ খিনবগী থৌদোক অমদগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইহল্লিবসি লৈঙাক অসিনা চেকশিন্না য়েংশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক্তি লৌ মপুবু য়োংনা তানবা হায়বা পাউরৌদুগী ফীভম অমা শেংনা উবা ফংলক্লবা মরম্না লৈঙাক্লসু অথুবা খোঙথাংদা নিয়মগী ৱাংমদা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি চিং নাপোমশিংদা নৌনা খুন্দারিবশিং তকথোক্লবা হোৎনবদা লম খোপচিনবগী মরালদা অহকপা চৈরাক পীনবা হোৎনফম থোকই। খোঙথাং অসিগা ইরোয়ননা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু, সেতলমেন্ট অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনসু রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি চিং নাপোমশিংদা অনৌবা খুল হাংনবা লম পীরোইদবনি। দিপার্টমেন্ট অহুমসিগী কম্বাইন টিম অমা শেমদুনা আইনগী ৱাংমদা অনৌবা য়ুমশিং শাজিল্লকপশিংসু তকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

হৌজিক-হৌজিক নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা অনৌবা লম্বী-থোং কয়া শেমগৎলকপদগী লমদম অসিনা কোনবা মফম কয়াদা অনৌবা দুকান মচা, হোটেল কয়া হাংনরকপা অমদি তুংদা অচৌবা কৈথেল অমা ওইরকপা য়াবগী শক্তম অমা উরকপদা কুকি কাংলুপ খরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লি হায়দুনা কৌত্রুক অমসুং শেঞ্জম-চিরাং য়াওনা চিংখোং-চিংয়াদা তারিবা অরিবা মৈতৈ খুলশিংদা অকি-তুজুং পোকহল্লিবসি লাইবক থীবনি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিগী মীয়াম্না লুনা লৌনরিবা কৌনু লাইরেম্বীগী শঙলেন ফাওবা অকায়-অতোয় থোকহল্লনল্লিবসি মানা-মানা পাম্বা লাইনিং-লাইশোল চৎনরিবা কাংলুপ খুদিংমক্লা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। মৈরিক্তগী মৈজ্রাওবী ওল্লকই হায়বদু লৈঙাক অসিনসু খঙফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## ‘লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : হন্দক হরাওথেলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী মতাংদা লমগী চয়েৎনবনা মরম ওইরগা খংন-চৈনবা অমদি নেসনল হায়রে-২ ব্লোকেদ অমদি কাউন্টর ব্লোকেদ ফাওবা তৌদুনা নাকল অনীনা অগুম তান্নবগী মওং মানবা অমসুং লৈঙাক্লা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবনা মরম ওইরগা অশোক-অপন য়াওনখিবসি লাইবক থীবনি হায়না মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চেস কাউন্সীল, মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হরাওথেলদা থোক্লিবা থৌদোক অসি তাইবং শেম্বা মপুগী অনিংবা ওইরোই। হাংন-শুনবা, খংন-চৈনবা হায়বা অসি নাকল অনীগী ওইনা শোকই। তাইবং শেম্বা মপুগী মিংদা নাকল অনীনা ঙাক্লু রগা খংন-চৈনবা অসি তোকপীয়ু অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা তৌফম থোকপদু মতম চানা তৌবীয়ু। থোক্লিবা থৌদোক অসি কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা থোকপগুম ওইহনগুমসি। ঐখোয় শাউগৎনরোইদবনি, অমনা অমদা য়েংথিবা মওংদা ৱা ঙাংলোইদবনি। অচুম্বদুদি লৈঙাক্লা মতমগী মতুংইন্না অদুম পুরকসনু। ঐখোয়না পাম্বদু অদুম দিমান্দ তৌসি। অদুম ওইনমক কুকিবু উশিৎতনা ঙাংবা, মীতৈবু উশিৎতনা ঙাংবা অমনা অমবু থম্মোয় শোক্লবা ৱাহৈ থানবসি লেপকদবনি। অচুম্বনা অরোইবদা মায় পাকই হায়বসি মালেমগী পুৱারীনা শাখিনি। লৈঙাক্লা অথুবদা অমসুং অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা ৱায়েল পীবীদুনা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসি কোকহনবীয়ু হায়না আপিল তৌজরি।

অখুবা মীৎয়েংনা মরম ওইরগা ইরমদম অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শাবদা অয়েৎপা পীবগী মহুৎ অথুবদা লোইশিন্নবা ঐখোয় খূদিংমক্লা হোৎনমিন্নসি হায়না ইরৈচাশিংদা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা পৌরাবি খুলদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ খঙহৌদনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপদগী কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাক্স ফোর্স পৌরাবিনা তোঙান-তোঙানবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি হায়না টাক্স ফোর্স অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু জনমেঞ্জোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খুল লৈকায় অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভকী কেস মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা কন্টেক্ট হিষ্ট্রি অমদি য়াম্না নক্লরম্বা মীওইশিং থীগৎতুনা মীওই ১৮শু কোভিদ টেষ্ট তৌহনখ্রে। চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপদা অমদি খুল অসিগী অৱাবা মতম অসিদা হায়নরুবা তৌদনা এ সী অসিগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর, ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান পি সুরবালানা শেল অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংবিরকপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা খুল অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লল্লাই পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পর্সনেলশিংনা ঙাকপী শেনবিবগীদমক্তসু ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলদা হৈরোক এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱর্কর নিংথৌজম দিটেননা হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট-ৱান হৈতুপপোকপী ৱার্দ নম্বর-থ্রী অমসুং ফোরগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুং ১৭০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। মীয়াম্না লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদকী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎসি হায়নসু সোসল ৱর্কর এন দিটেননা ফোঙদোকখি।

GAS NEWS
HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 05/08/2020
Sl. No. - 250
Only home del.
Cont. No : 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930.
Office No. 6381538861
Enquiry No.7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

## তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ট্রেজরর রোবিন ব্লেকিনা লংথবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লংথবাল মন্ত্রিখোংগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ূমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। তেংবাংখিবা অদুদা রোবিন ব্লেকিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা মীপূম খূদিংমক্লা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## য়াসকী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* আই এ এস ওফিসর ডা. কোন্সম শ্যামসুন্দরনা লৈখিদবা অসিদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা থাদোরকখিবা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অদুনা হায়, ডা. কোন্সম শ্যামসুন্দর য়াম্না হৈথোই-শীংথোইবা অমদি মথৌ মশক খঙবা নহা ওইরিবা ওফিসর অমনি। মহাক্লা আর দি এন্দ পি আরদা চহী ৫ রোম দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদসু দিপার্টমেন্ট অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎলমখি। মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু মতম পুন্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। নহা ওইরিবা ওফিসর অসিনা লৈখিদবা অসিনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়নসু তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদপা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু। লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পর কেপিটা জি দি পিদা বাংলাদেশনা...

*লামায় ১গী মখা...* জি দি পি দোল্লর ২,০৩০ ওইরবা য়াই। বাংলাদেশকী ওইনদি দোল্লর ১,৯৯০ ওইগনি হায়রি। হৌখিবা চহী ৫ রোম ইন্দিয়ানা জি দি পিগী মতাংদা বাংলাদেশতগী মাঙজিল থাদুনা লাকখি। অদুবু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা বাংলাদেশকী জি দি পি তপ্না তপ্না ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনদি ফীভম শোকচিল্লকখি। বাংলাদেশতা এক্সপোর্ট সেক্তর চাউখৎলকপগা লোয়ননা সেভিং অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী রেট ৱাংখৎলকখি। ইন্দিয়াগী ওইনদি সেভিং অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী রেট হন্থরক্লে।

## ওনলাইন মেদিএসন্দা ফেমিলি কোর্টকী...

*লামায় ১গী মখা...* সর্ভিসেস ইন্সটিট্যুসনশিংনা ফংলিবা অসুম্মাইনা ওনলাইন মেদিএশনগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবীগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী অহানবা নুমিৎ ৫নিগী পুং ২০গী ওনলাইন মেদিএশন রিফ্রেশর কোর্সতা মণিপুরগী এদভোকেট মেদিএটর ২১ মায় পাকখ্রে। কোর্স অসি মসলসানা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী মেদিএসন এন্দ কোন্সিলিয়সন প্রোজেক্ট কম্মিটি (এম সী পি সী) গা পূন্না শিনমিন্নবনি হায়রি।

## এন ঐচ পি সীগী ইথাই বেরাজগী...

*লামায় ১গী মখা...* লোইরগনা ফঙ্কসন তৌখিদনবসু খঙহনখ্রে। মরকসিদা কম্মিসন্না মফমসিদা ফিল্ড ইনক্বারি অমা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি। অদুগা কেস অনীসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং থা অসিগী ২৭তা চত্থগনি হায়রি।

## টি ঐচ বৃন্দা য়াওনা পুলিস পর্সনেল ...

*লামায় ১গী মখা...* খঙহনখিবদা কেস অসিগী একুইজ অমা ওইরিবী টি ঐচ বৃন্দানা মহাক্কী তঙাইফদবা বোন্দশিং কেস অসিগী মথংগী নুমীৎতা শোয়দনা ফর্নিশ তৌগদবনি হায়খি। অদুগা কেস অসিগী চার্জ হিয়রিং থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্লবা লেপখি।

HL-B/6459/15

## কান্ত রোয়গী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল...

*লামায় ১গী মখা...* পনবা য়াবদি, ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অসি মায়োক্লগনি ফোঙদোকখ্রবা ৱাই কান্ত রোয়গী মায়কৈদগী মহাক্কী কাউন্সেল এম দেবানন্দগী মায়কৈদগী কাউন্টর এফিদেবিট অমা ঙরাং কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রবনি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অসিগী মায়োক্তা ৱাই কান্ত রোয়গী মায়কৈদগী মিসেলিনস কেস (কন্টেম্পট কেস) ক্রিমিনেল নম্বর- ১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবসু লৈরিবনি। মেট্টর অসিসু ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিদা পুন্না লিষ্ট তৌখি।

## চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): দি আইদেল ক্লব শগোলবন্দ তেরা কৈথেলনা লেপ্তুনা চৎথরকপা কোভিদ-১৯ থেংননবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং (জোনষ্টোন হায়স্কুল অমদি ওরেন্টেল কোলেজ)দা মতেং পাংবগী থৌরম মখা তানা চত্থরক্লি। ঙসিসু শগোলবন্দ তেরা কৈথেলগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা নোংমগী মথৌ তাবা চানবা আলু, তিলহৌ, অচাথাউ, হৱাই মঙ্গল, থুম অমদি পাপরনচিংবা পোৎলমশিং ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা কোয়না চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি...

ঙরাংগী মখা ....

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইম্পরেএলিজমগা থাক হায়রপ মান্নবা পেরামাউন্টসি লোইদুনা কুমজা ১৯৪৭ দা হঞ্জিল্লকখিবা কংলৈপাক্কী নীংতম্বগী থাক অদু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ ফাওবা লৈরম্মী। কংলৈপাক্কী মনিংতম্বা শোকপা তৌদনা ইন্দিয়াগা কনফিদরেল এরেঞ্জমেন্ট অমদা চঙবগী ফীভমসু লৈরম্মী। অদুবু কনফিদরেল এরেঞ্জমেন্ট হায়বসি মতম পুম্বদা কায়বা, মুখৎপা য়াবা মনিংতম্বা লৈপাকশিংতনা শেম্বা কয়াৎনি। মনিংতম্বা কংলৈপাকপু য়ুম্লোন্নবা ইন্দিয়ানা লৈবাক মীয়ামগী রিফরেন্দম তৌদুনা অমসুং কংলৈগী কনষ্টিট্যুসনল ওইনা চীংমী-তম্মীগী মীহুৎনা শেমখিবা এসেমব্লীগী অয়াবা য়াওদনা এনেক্স তৌখিবদগী কংলৈপাক্কী চহী ২০০০ হেল্লবা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি ঙাকপগী নাম্থোকপা য়াদ্রবা থৌদাং অদু ইন্দিয়ানা নমদুনা ওইখ্রবনি। এনেক্স তৌখিবা মীকুপ্তুদা লৈরম্বা ঙমখৈ অদু শম্না অমা থুগায়নবা ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রগা মাগী মখাদা লৈবা লৈঙাক অমত্তনা লোগী মীৎয়েংদা থুগায়বা ঙমদে। ওক্যুপাইদ টেরিটোরিগী ঙমখৈবু ওক্যুপাইয়িং পাৱরনা থুগায়বা য়াদে। পুন্নমকসিগী মথক্তা কুমজা ১৯৪৫দা য়ু এনগী মেম্বর ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা য়ু এন চার্টরগী আর্টিকল ২(৪) থুগায়দুনা কংলৈপাক্কী পোলিটিকেল ইন্দিপেন্দেন্স অমসুং টেরিটোরি ইন্টিগ্রিটিদা চৈথেং পীরকপদগী ঙসিসু কংলৈপাকনা মালেম পুম্বগী ওইনা চত্থরক্লিবা দিকোলোনিজেসন প্রোসেসতা য়াওনবা হোৎনরি। পুন্নমক অসিগী পাউখুম ইন্টরনেসনল লোগী মীৎয়েংদগী পীবা তাই। কংলৈপাক্লা মাগী হান্না লৈজরম্বা নীংতম্বগী থাক্তা হঞ্জিনজবদা, ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল ইন্দিপেন্দেন্স অমসুং কংলৈপাকপু লৌশিন্দ্রিঙৈদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী অশেংবা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শম্না মফৈ অমা শোক্তে হায়বসি মীচঙ মীখায় নাইদ্রবা অখণ্ড-অহৈশিংনা য়ানরবা ৱাফমনি।

মালেমগী চৎন-পথাপ মতুংইন্না কংলৈপাক্কী ইকোনোমি রিছোর্স পুন্নমক কংলৈ চীংমী-তম্মী মচিন-মনাও খক্তগী ওইফম থোকই। ঙসি ফাওবদা কংলৈ চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওগী হ্যুমেন রিছোর্স মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙমদবদগী কংলৈপাক্লা নিও-কোলোনিএল ইকোনোমিদা লৈরিবনি। নিও-কোলোনিএল ইকোনোমিদা কংলৈ মীয়ামসি শেল-থুমগী, মীওই খুদিংগী রাইট টু দিভলপমেন্ট মপুং ফানা পীরে হায়বা য়ারোই। মদুগী মহুৎতা মীৎ অনীমক তাঙলবা কম্প্রাদোর ব্রুগোয়িসগী ক্লাস অমা থোরক্তুনা ইন্টর্নেল কোলোনিএলিজম লৈবা হৌরে। ইরমদমগী মীওই কাঙলুপ অমনা থা অমা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবদা চীংমী-তম্মীগী থৱায়-হকচাং খায়নগে তৌরুরে হায়বা য়াই। মদুদা, মপানগী মতেং য়াওদনা চহী ২০০০ হেন্না হিংলকখিবা কংলৈপাক্লা মপানগী মতেং য়াওদ্রবদি চনিং-চমাং শম্ননা নিংশা হোনবা ঙম্লক্লে হায়বা তাকই। কংলৈপাক্লা পোথোকপা পুথোকপা ঙমদ্রে, মার্কেট শেম্বা নৎত্রগা কেপিটেল শেম্সু ঙমদ্রে; কেপিটেল, কোলোনিএল মার্কেট ওইরে। হৌজিক্তি শেল-থুম মরামদোম লেপচবদি লায়রদনা দিল্লিনা চিনবীরবদি চরা অমা ফাওবা চাবা ফংলরোইবনা ফীভমদা থমজিল্লক্লে। ঐখোয়গা অসুক্কী মতিক ইশাবু থাজবা ঙমদ্রে, উতাবী ওইনা খন্দুনতা লৈরল্লে। চীংমী-তম্মী অনীবু শেৎতোক-খায়দোক্লরবা যৌশিনগী মখাদা তম্মীনা চীংদা কাবা, লৈবা থিংলে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ১৯৯২ দগী ১৯৯৮ ফাওবা কাঙলুপকী হাংনবা লেপ্পনা থোকহল্লকখি। পীকপ্পবা লমদম অসিদা হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা শাগৈগী লম কন্নহল্লকখি। কুমজা ১৯৪৯গী মতুংদা মীরৈবাক মচা কয়া পুশিল্লকখি। মরমদমদা মেজোরিটি ওইরম্বা মীতৈ, চাদা ৫০ দগী হন্থরক্তুনা মাইনোরিটি তারে। পুন্নমক ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা থোকহল্লকপনি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কংলৈচাশিংনা য়েংবা মালেমগী মীৎয়েং (ৱর্ল্ড আউটলুক) অসি হিন্দুইজমগী কাষ্টিজম, রেসিজম, এপার্থেদ, ইথনো-সেন্ট্রিইজমদা য়ুম্ফম ওইবা মেনলেন্দ ইন্দিয়নশিংনা য়েংবা মালেমগী মীৎয়েংগা চুশিন্নবা খক য়াদে। ৱাখল্লোন মান্নবা নুপা-নুপী পুন্না পোথোক পুথোকমিন্নবা, ফুরুপ কাঙলুপ খায়দবা, য়ুনিভর্সেল ভেল্যুদা য়ুম্ফম ওইবা ‘কংলৈ ৱর্ল্ড আউটলুক’ পু তপ্না তপ্না পামহৈবা হাক্তক্তগী হিন্দুইজমনা কংলৈপাকপু ওৎখাই নৈখায়বদগী হৌরদুনা, ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবদগী মীয়ানচাগী রেসিজম, কাষ্টিজম, মান্নদবগী ৱাখল্লোন চঙলকই। মীয়ানচা চঙলকপদগীদি ঙসিদি কংলৈ খুন্নাই থাক-থাক খায়দোরক্লে। চীংমীনা তম্মীবু, তম্মীনা চীংমীবু, মীতোপকী মীৎয়েংদা য়েংনরকপদগী কংলৈ খুন্নাইদা খায়বোক খায়রকই। কংলৈচানা মশাগী কোস্মোগোনি, থাজবা কয়াবু থৈদোক্লগা মীতোপকী ৱাখল্লোন, মীওইববু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী, সেরেমোনি, ৱাখল্লোন কয়া লৌরকই। কংলৈচা অমনা মীয়ানচা অমবু মঙোন্দগী হেনবা সুপরমেন অমা ওইনা লৌরক্তুনা মখোয়বু ঐখোয়গী লমজিং পুরেন ওইনা উরকই। কংলৈ নেসনল কন্সিয়সনেসনা লৈখা তারক্লিবমখৈ ইন্দিয়াগী নেসনল কন্সিয়সনেসতা সরেন্দর তৌরকই। ইরমদমগী ষ্টেটিক্স, ইথিক্স, মোরেল ভেল্যু পুম্বা, য়োংগী থবক (মোঙ্কি বিজিনেস) ওন্থোরকখ্রে। ইন্দিয়ানা তৌরিবমখৈ ফজবা, অহেনবা ওইনা উরক্তুনা, কংলৈচানা মশাবু য়াম্না তোন্থনা উরকই। মীতৈনা মশাবু ইন্দিয়ন ওইনা খঞ্জরগা, চৈরাওবা ফাওবদা, ‘মীতৈগী চৈরাওবা’না কৈদৌনদোইনো হায়না মশা-মশাবু করেম্নরগা, অমনা অমদগী হেনবনি উৎনরকই। মী অমগী মিং থোনবসি য়াম্না লায়না লৌবা য়াদে- মরমদি মীদুগী টোটেল পার্সন, বেলিফ, পুন্নমক ৱাহৈ অমত্তনা মহুৎ শিনবনি। জপানিজ, চাইনিজ, রুসিয়া, ফ্রান্স, ইংলিস নৎত্রগা চাউখৎলবা নেসনলিটি অমত্তনা মশাগী মিং থাদোক্লগা অতোপ্পগী মিং লৌরোই, নৎত্রগা মীতোপতা কংলৈচাগী মিংসু লৌরোই। কংলৈচা নত্তনা কনাগুম্বা ফুরুপ অমত্তনা মীরৈবাকচাশিংগী মিং, সিম্বোল মরাইবক্তা থেৎলগা পুদে। ইন্দিয়ানা কংলৈপাক্কী নেসনহুদ মুথৎখিবদগী কংলৈপাক্কী পোলিটিকেল নেসনহুদকী মোরেল গ্রাউন্দ, য়ুম্ফম, সেন্স ওফ বেলোঙ্গিংনেস, পুংচাই চাইনা মাঙখি। অদুবু অনৌবা মীরোলসিনা মাঙখ্রবা পুন্নমক হঞ্জিন্নবা হোৎনরক্লি। মীওইবগী থবক খূদিংমক্কী রোদমেপ থম্মোয়দা হান্না লৈ। ইন্দিয়াগী কোলোনিএল মাইন্দদা তীনশিনগ্রবা কংলৈ মাইন্দ মতোমতাগী ওইনা নীংঙম্ল খনবা তাই।

মীওইবগী লন (হ্যুমেন রিছোর্স) এদ্যুকেসনগী মতেংনা শেমগৎ-শাগৎপা মতমদসু, ইন্দিয়াগী লোয়েন্নমগী উচল মনুংদা নৈশিন্দুনা লাকই। ঐখোয়না খা নোংপোক এসিয়াগী লমদম চিনা, জপান, কোরিয়াদা য়েংখৎপগী মহুৎতা ইংলেন্দদগী ফেরেংলননা মতৌ তন্না ইন্দিয়া মচাগী থবকশিংদনা হেয়া লুনা লৌরকই। মচিন থিবা ইন্দিয়া মচানা ইবা হিষ্টি, এদ্যুকেসনোলজি, সোসল সাইন্সসু অচৌবা য়ুম্ফম ওইনা লৌরকই। লোয়নম শন্দোকপগী এদ্যুকেসন মখীসিদা ঐখোয়না ৱাহহ হংদে, হংফম থোকপনি। কংলৈচাবু মীগী মতৌ তম্বা থার্দ ক্লাসকী মতুংইন্নদুনা ফোর্থ ক্লাস ওইহনবগী মহুৎতা, মালেমগী সাইন্সতা, হীরম খূদিংদা য়াওহনবা, এক্টর ওইহনবা তাই। ঐখোয়না ঐখোয়গী খুন্নাই, পুৱারী অমদি নোংপোক্লোমগী চাউখৎপগী থবক পুম্বা নাথৈদুনা থল্লগা, মপুক চুমদবা ইন্দিয়াগী এদ্যুকেসন মপীদা কন্না ঙাদুনা লৈরি। ইন্দিয়াগী মনিংতম্বসি, ৱেসিয়াগী মীৎয়েংদদি তাইওন্নবা লাইচৎ ওইনা থোকই। অকনবা নাৎকী লোইচনবগী থৌওং ৱেসিয়াদা হৌজিকসু হান্নগুম লেপ্তুনা চত্থরি। ইন্দিয়ানা নিংতল্লবা মতুংদা শেল্লকপা কনষ্টিট্যুসন অমদি লোনা ৱেসিয়াদা, কংলৈপাক্তা পীরকপা শাফু অসি নিও-কোলোনিএল স্পিরিটতা পীথরকই। কুমজা ১৯৮০-৮২ দা অফস্পা-১৯৫৮ পু শিংনবা রাইট পিটিসন অদু, য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা কুমজা ১৯৯৭ কী জুন-জুলাইদা, কংলৈপাক্কী অল্টর্নেটিভ রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা জেনেভাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা কন্না তকথরকপদগী ওগষ্ট থাদা হিয়রিং লোইদুনা নবেম্বর ২৭, ১৯৯৭ তা ৱায়েল পীখি। কাশ্মিরদগী আর্টিকেল ৩৭০ লৌথোকপগী মায়োক্তা মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা থাখিবা পি আই এলগী পিটিসনশিং হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লগা অচম্বা কম্মেন্ট পীরুবা প্রসান্তা ভুষনগী কেসপুদি অথুবা ৱায়েল পী।

নুংশিনা লৈমিন্নরজরম্বা চীংমী-তম্মীবু কুমজা ১৯৬০দা মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট শেমদুনা চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওবু খায়বোক খায়দোকপীখি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনদা, সোভিয়েটকী কনষ্টিট্যুসনগুম্না ‘রাইট টু সিসিদ’, ‘সপোর্ট টু নেসনল লিবরেসন মুভমেন্ট’, ‘ইক্বেলিটি ওফ ওল নেসনেলিটিস’ য়াওখিদে। মদু য়াওননবা ফিরেপ অমা ঙসি ফাওবা লৌদ্রি। মদুনা ইন্দিয়াদা শোক্তবসু মখোয়না লৌশিনখ্রবা লম খরগী হক্তি মুথৎলি। মালেমগী হক্কী মতাংদা য়ু এননা ইন্দিয়াবু রিজার্ভেসন পুম্বা লৌথোক্লবা হায়রি, কোভিনেন্ট পুম্বা ইননবা পাউতাক পীরি। জুন, ১৯৭৭গী জেনেভা কনভেন্সনদা হাপচিনবা এদিসনল প্রোটোকোল অনীমক খুৎয়েক পীদনা লৈরি। য়ুরোপকী ষ্টেট কয়াদগী য়াম্না হেন্না চাউরবা রিছোর্স কয়া লৈরবা ৱেসিয়ানা মালেমগী লৌবুক্তা, স্পোর্টসতা, ৱর্ল্ডগী ঠিএটরদা এক্টর ওইবা মশানা তারকই। চীংমী-তম্মী কংলৈচাশিংবু মুথৎনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ লেপ্তুনা শিৎলি, ইরমদমগী শাদোংবু মীতারিবা লংজা শঙ্গু-শঙ্গুনা শারাক তমগদবগী ঙাইদুনা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকপা ঙমদবা, খাংবা কনবা ফুরুপ খক্তনা পুৱারীদা হিংহৌই।

অরোইবদা, লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা ইরৈবাক্কী লাইবক লেপকদবা নীংতম য়াওল লাম্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা/অথৌবীশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। নীংতম লাঞ্জং অসিগীদমক সিক্যুরিটিগী মীওৎ-মীনৈদা পুন্সি শোয়নাইখ্রবশিং, য়েক্লবগী কৈশুমশঙদা লৈদুনা অরা-চৈথেং খাংলিবা মরুপ খুদিংমক্না য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা ঙসি-ঙসিমক অকিবা ফংনা কংলৈপাক্তা কম্যুনাটি ট্রান্সমিসনগী তাঙ্কক য়ৌরক্কুনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ পাক শন্না শন্দোরকপা লোয়ননা অশিবগী মশিংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিদা তুংদা ওইরকফম মরুপ অদুগীদমক প্রিপাকনা নুংনাংবা ফোঙদোকচরি অমদি দল্লিয়ু ঐচ ওগী পাউতাক ঐখোয় খুদিংমক ইনমিল্লুনা লাইচৎ অসিগী চেকশিং লৈদুনা লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু প্রিপাক্কী এক্টিং চেয়ারমেন কে ঐচ শান্তিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফিঙাং লান্মী লিংখৎখিবগী ৪৪শুবা নুমীৎকা মরী লৈননা য়াওলগী ঈকায় খুম্নবা উৎলক্লি...

ঙরাংগী মখা... লৈবাক অমগী মপূং ফারবা চাওখৎলোনগী হৌরকফম তাকপসি ইপা-ইপুশিংনা থাজরগা থম্বীরম্বা তাইবঙপাল শেমখিবগী ৱারী লিশাং, মীহৌরোল অমসুং লাইনীংলোলগী ৱাঙুলোন, শাগৈ-সলাইগী পুৱারী, লোল অমদি ময়েক, লমগী মীংথোল্লোন, লৈঙাকলোন, খুন্নাই অমদি নাটকী মপূং ফারবা হৌরক ৱারী কয়ানা তাকচরবনি। হায়রিবা হীরমশিংসি অমত্তা চিত্থদনা কংলৈপাক্তা মীহৌরোল মতমদগী শমথরকপা চিনবুং ৱারী অমদি অইবা কয়া ৱাত্তনা লৈরি। লৈথক লৈখারোন, শাকোক লমলেন অমদি অরিবা পুয়াশিংদা ইরিবা তাইবঙপাল শেমখিবগী ৱারী, লাইনীংলোল-খুন্নাইলোলগী মরমদা ৱাঙুলোন ওইনা শন্দোক্লা তাক্লিবা ৱাফমশিংদুনা হিন্দুগী অরিবা ভেদগী লাইরিকশিংদগী হন্থবা নত্তে। কংলৈ খুন্নাইগী মরু ওইরিবা সনামহী লাইনীংলোনদি মালেমগী ওইবা মীৎয়েংদা ‘অচুম্বা অমসুং অশেংবা ৱায়েল’ দা য়ুম্ফম ওইদুনা ৱাখল-নুংগী ওইবা থাজবা নীংজলোননি। কংলৈপাক্কী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী হিষ্ট্রিগা মান্নদবা তোপ তোপ্পা খেন্নবা শরুক কয়া য়াওই হায়বসি দিল্লিগী কোকলেন কয়ানা উবা ঙমখ্রে, মসিনা মরম ওইরগা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অমদি পুৱারীবু মখোয়গী খুবামনুংদা থল্লগা ইন্দিয়াগী লান্না শেমদোক্লবা হিষ্ট্রিদা য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসিনি হায়রি।

লৈবাক ৱাথোক্কী ৱায়েলফম, লৈঙাকলোন নৈনফম, শেমগৎ শাগৎপগী খন্ন-নৈনফমসি ইপা ইপুশিংগী থৱায় হকচাংগী নুংগী ৱাখল মমি তাখ্রবা কংলা কোনুংদা ওইফম থোক্ত্রা? মসি নত্তবীদা দিল্লিদা চৎল-চৎলগা লৈঙাক্কী পাঙ্গল শিনথোকপগী মওং অসিনা তুংলমচৎতা কংলা ফম্বালগী মরূ-মরাশিংবু ফুক্তোকপগা মান্নগনি। কংলানা কংলৈপাক্কী লৈঙাক্কী কোনুংনি, দিল্লিনা নমথ-লৈঙাক্কী কোনুংনি হায়বসি খঙমিন্নসি। অদুনা লুচিংবশিংনা দিল্লিদা কংলা থাংদোকপগী মওংসি তৌফম থোক্তে হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, কংলা কোনুংবু মতম অমদা ‘কুরুমচিং’ হায়না খঙনরম্মী মসিনা তাক্লিবদি চীংমী-তম্মী অনীমক্কী অশেংবা খুবমনি হায়বনি। পান্থোইবী হাওরৈমা অমসুং নোংমাই পেতঙাগী ৱারী, নিংথৌনা ফম্বাল কাবগী থৌরমদা চীংগী ফিজোল শেৎলিবা, লাই হরাওবগী থৌগল লোইশিনবদা তাঙ্খুল থোকপা জগোয় উৎলিবা, কংলা কোনুংদা চীংমী লোইশঙ অমসুং লোন হান্নবা ‘লম্বু’ শিং থমখিবা, মেরা হাওচোংবা কুম্মৈ, চীংমী-তম্মীগী সলাই ৭ লৈনরিবা, চীংমী-তম্মীগী পুনসন-চুপসন ৱারী, চীংগী খুন্থোক ৱারী কয়া অসিনা তাক্লিবদি কংলৈপাক্কী চীংমী-তম্মী অমত্তনি খাইদোকপা য়াদবা হকচাং অমনি হায়বনি হায়রি।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ইন্দিয়াগী ফৎত্রবা লৈঙাকলোলগী মহীকসু কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদা হেন্না খোঙজেল য়াংশিল্লবনি হায়বসিনি। ঙসিখোদা উংখৎনবা পুক্লিং হেয়া চৎলা, মীওইবগী খুদাইবু মুথৎপা ঙম্লবা লাইৎন অসিবদি থৌশাদিরিবসিগী অরোনবা মরম লৈরমগনি। বেদ-পুরানগী ভারতবর্ষদা য়ুম্ফম ওইবা মখক থোংনিংবরিবসি লাম্যীংলোংনা কংলৈপাক অমদি য়ুমলোনরিবা লৈবাকশিংবু কোনশিনবা য়ারোই। কংলৈপাক্কী ঙমখেদি ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বুনি, বুটিশনসু ঙমখে অসি ইকায়খুম্নরম্মি হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙবম থোকই। কংলৈপাক্কী নীংথৌ তমজরন্দদু ইন্দিয়ানা পীথোকফম থোক্লে হায়বসি খঙফম থোকপনি হায়নসু প্রিপাক (প্রো)গী চেয়ারমেন এল পালিবা এমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।






HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.